থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ওন্থোকপা সুইসাইদ নোট

মোদিজি,

হৌজিক ঐগী ইচানুপাসি করিমত্তা পাম্বে লৈত্রবা অঙাং অমা ওইরে। ঐহাক ইশাসু শোন্দম-নাদম্বা, করিমত্তা শূবা-নোম্বা ঙমদ্রবা নুপা অমা হায়বদু ওইরবনি। করম্না ইচা শেন্বা, মাগী মতেং পাংবা ঙমগনি। অদুনা, খনবমখৈ খল্লগা ঐহাক ইশাগী পুন্সি অসি লোমহনজরগে ৱারেপ্লে। ৱারেপ অসি লৌজরিবগী মরমদি, ঐহাক লৈত্রে' মতুংদা অদোম্না শোয়দনা ইচাগী মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী আশাদনি... ঐগী ইচাদো ঈশৈ ফজনা শকপনি। মহাক্কী মমিং বিবেক দাস কৌবনি। মহাক্কী মোবাইল ফোন নম্বর ঐগী মোবাইল ফোন'দা য়াওরিবনি...।


Modiji, Now my son is totally helpless. My physical condition is also not good. I can't do any manual job. How can I help my son? So, I decided to finish myself only hoping if I can get a help from you for my son. Sir, he is a good singer.

My My Son's name is Verek Das.

Mob no is in My Mobile

ফংদে। মোদিগী লৈঙাক মতমদা মীয়াম্না নংলিবা শেল-থুমগী অৱাবা চৈথেং অসি মমাঙগী লৈঙাক মতমদা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী থৌ পুখিবা পি চিদম্বরমগী অরানবা থৌশিল অমদি থবাক য়ৈবা শেঞ্জা থুমজা অমদি ফাইনান্সল স্কাম কয়াদুগী মহয়নি। হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়ন ইকনমিক কন্দিসন অসিগীদমক মোদি'দা ব্লেম তৌফম থোক্তে - বিজেন দাসকী অর্গুমেন্ট'নি। অরিবা শেল ময়েক চৎনহনখিদবা অমদি জি এস টি'গী ইফেক ফংদবা নত্তে ঐখোয়, বিজেন দাস'না ময়েক শেংনা ইরম্মী, অদুবু ঙসিগী শোকচিল্লবা ইকোনোমি, য়েংলু য়েংলু খুদিংমক্তা আশাগী মমি উরক্তবা, ইকনমিক শ্লোদাউন অসিদি দিমোনিটাইজেসন অমদি জি এস টি'গী ইফেক নত্তে। আই এন এক্স মেদিয়া কেস'তা চেন্নরম্বগীদমক পি চিদম্বরম'বু ফাবগী থৌদোক অসিগী মতাংদসু মহাক্কী ওইবা মত ফোঙদোক্লম্মী।

ইজরিবা ৱাহৈ খরসি, ৱাখলনা শাগৎপা ফিক্সনেল রাইটিং অমদগী লৌথোরকপা ৱারৈ পরেং নত্তে-কো। অসামদগী থবক্তগী পোত্থারবা বিজেন দাস কৌবা ইন্দিয়ন এয়র-ফোর্সকী ওফিসর অমনা এল্লাহবাদকী প্রয়াগ হোটেলগী কা অমদা সেপ্টেম্বর ৮, ২০১৯দা থোঙ লোনশিল্লগা মশা মথন্তা হাৎতোকচরগা শিজরম্বদুগী লমায় মঙা পানবা সুইসাইদ নোট (মথন্তা শিজবগী মরম পীবা ৱারোল) অদুগী অহৌবা পরেং খরদুনি। বিজেন দাস মথন্তা লাক্লগা হোটেলদুদা সেপ্টেম্বর ৬তগী লৈরকখিবনি। মশাগী চহী ৫৫শুরে। সেপ্টেম্বর ৮, নোংমাইজিং নুমিৎ বিজেন দাস অয়ুক্তগী থোঙ শুকহাং হাংদোরকখিদে, মপান শুকথোক থোক্লককখিদে হায়দুনা 'ৱেটর'দুনা মেনেজরদা পাউ পীরখি। কৌবদসু তাদ্রবদা থোঙ/থোঙনাওগী অহোবদা য়েংলুবদা মঙক্তা থৌরী থুরগা য়ান্দুনা লৈবদু উরকখিবনি।

থোঙ নমখায়দুনা হাংদোক্লগা য়েংবদা থেংনরকখিবনি - ঈংনা-তপ্না-তনান-তনান-ময়েক লানা ইবা খুৎইদা মশানা-মশাবু হাত্তোকচরিবগী মরম পীবা লমায় ৫গী সুইসাইদ নোট'তুগা লোয়ননা থল্লম্বা লুবা ১৫০০/-। শেনফম অদু মহাক্কী অশিবা হকচাং পোৎলোইবদা চঙগদবা শেনফমদুগী পল্লম্মী। লুপা ৫০০ অমসু তোখাইনা হোটেলদা লৈবগী অৱাৎপা শেনফমনি হায়না থল্লম্মী। মশাগী শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবনা, পোৎলোইবদা য়াওবীগদবা ময়ামদুগী অৱামলদি থল্লম্বা ঙমদ্রে হায়দুনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লম্মী।

মহাক্কী শাংলবা সুইসাইদ নোট অদুদা বিজেন দাস'না নৈনরম্মী - লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফীভম অসি য়ৌনা ফৎত্রিবগী মরম। শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপসিনা মরম ওইদুনা, মহাক্না থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ফীভম ফগৎহন্নবা করিমত্তা তৌবা ঙমখিদবগী মরমনি পল্লম্মী। মহাক্না হায়, পোলিটিক্সকী অরানবা ৱারেপ, অৱাংবা থাক্তা তৌখিবা শেঞ্জা-থুমজাগী থবক অমগী মহয় মীচম মীয়াম্না ফংবদা মতম চঙই, খুদক্তা চৈথেং অসিগুম্বা সুইসাইদ নোট মমাঙদসু অমুক্তা থেংনখিদ্রি/তারকখিদ্রি, তারক্কদৌ' মান্দে তুংদসু। মহাক্কী পূক্নিং ৱাখল অনীগী খল মাঙদুনা, অফ-ফত্ত খন্থনবগী পাঙ্গল লৈতদুনা মশাগী পুন্সি লোমহনজখিবগী থৌওং নত্তে। শিবা অমসুং চঙবা-অনীগী মরক্তা অমা খন্দবা য়াদবা তানফম অমা মাগী মাঙদা তারবদা 'শিব'বু পামজনা খনখিবনি।

মহাক্না হায়, মাগী মচা 'বিবেক দাস' য়াম্না ফবা, তুংলমচৎকী আশা লৈবা শৈশকপা অমনি, ঈশৈ য়াম্না পাম্মী, সা রে গা মা পা লিট্টল চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়ারুরে। মচাগী পামজবা শিনফম অদুদা মখা তানা চঙশিনহন্নবা মচাগী লম্বী য়াৎনবা মহাক্কী থৌনা অমদি পাম্বে অনীমক মাঙখরে। মচাগী অনীংবা অপাম্বদু থুংহন্নবা, পূম্নমক্কী মপা ওইবা, লায়রবগী পাম্বে ওইবা, রেলৱে ষ্টেসন'দা চা য়োল্লম্বা, লৈতবগী চৈনা খঙবা মোদি'দা মচাবু শিন্নরম্বনি। খঙদে - মহাক লৈতবগী পাউ অসিবু মোদিগী নাকোং য়ৌরমগদ্রা! ফেসবুক অমদি হ্বাটচএপকী খুৎথাংদা শরা শন্না শন্দোক্লগা, মীয়ামগী মীনুংশি চিংশিনবগী মচাক য়াওবা, রানু মন্দলগুম্বগী ৱারীদুসু নত্তে। হিমেস রেসমিয়া অমদি সলমান খানগুম্বগী পুকচেলদু মোদি'দা চেনব্রা য়েংবা তারি। মহাক্না পামজখিবসু মোদিগী পূক্নিং চিংশিনবনি।

এলাহবাদ সিটি এদমিনিষ্ট্রেসন' দা 'মহাক পোৎলোইবগী থৌরমদুদা ইমুং-মনুংগী মী য়াওহনবীদনবা, মহাক্কী অশিবা হকচাংদু মচাবু য়েংহনবীদনবা, এলাহবাদ'তা অদুম পোৎলোইথোকপীনবা' কন্না হায়জরম্বনি সুইসাইদ নোট'তুদা। অদুবু, এলাহবাদ পুলিস'নদি কেস অদু মখা তানা থিজিন্নবা, ইমুং মনুংগী মী লোইনা কৌখরে। বিবেক'নসু হৌজিক্তি মপাগী অশিবা হকচাংদু উরম্লগনি। অঙাংদুনা করি খল্লমগনি।

লৌশিং পুক্কে

# মীরোনবী নুপীশিংনা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবগী কান্নবশিং

মীরোনবী নুপীনা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং মশা-মউ ফৈ হায়বসি হান্নদগী খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু হৌজিক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না নুপীনা মীরোল্লমদাইদগী হৌনা অফবা চীঞ্জাক চাবা মথৌ তারে হায়রি।

লন্দন স্কুল ওফ হাইজিন এন্দ ট্রোপিকেল মেদিসিনগী সাইন্টি-ষ্টশিংনা হায়খি, মীরোল্লমদাইদা নুপীশিংনা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাহৌদ্রবদি তুংদা পোক্লক্কদবা অঙাংগী জিনদা অশোয়বা লৈরকপা য়াই। মদুনা মরম ওইরগা অঙাং অদুদা পুন্সি চুপ্পা লোয়নদুনা লৈগদবা মওংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লকপা য়াই।

'নেচর কম্যুনিকেসন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা সাইন্টিষ্টশিংনা হায়খি, নুপী ওইবীশিংনা মীরোল্লমদাইদগী হৌনা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাহৌদ্রবদি তুংদা পোক্লক্কদৌরিবা অঙাং অদু দাইবেটিস, মেন্টেল দিসওর্দর অমদি ওটিজমনচিংবা লায়না কয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা ন্যুট্রিসনিষ্ট এন্দ্রিয়ু প্রেন্টিসনা হায়খি, মীরোনবী নুপীনা চাবা চীঞ্জাক্না পুক্নুংদা লৈবা অঙাংগী জিনদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি। মীরোনবা মতমদা মমাগী ঈদা য়াওবা মরুওইবা মাইক্রোন্যুট্রিয়ন্ট খরনা মরম ওইরগা অঙাংগী অফবা জিন শেমগৎপদা মতেং পাংই। মরুওইনা তোঙান তোঙানবা ভিটামিন বি মখলশিং অমসুং অতৈ ন্যুট্রিয়ন্ট খরা মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই হায়রি।

মীরোনবা মতমদা ওইবা মমাগী বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) গী ফীভম্নসু অঙাংগী জিন ফহনবা নৎত্রগা ফৎহন্দবদা মতেং পাংই। দ্যুক য়ুনিভর্সিটিগী সুসান মর্ফিনা হায়খি, নুপীনা মীরোল্লমদাইদা চাবা চীঞ্জাক অমসুং হকচাং অরূম্বা হেনবা নৎত্রগা হেন্দবগী মওংনা অঙাংগী জিন ফহনবা নৎত্রগা ফহন্দবদা মরুওইবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা মীরোল্লমদাই হায়বসি নুপী অমসুং তুংদা পোক্লক্কদৌরিবা অঙাংগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা মতমনি হায়না দ্যুক য়ুনিভর্সিটিগী সুসান মর্ফি অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, 'দ ফর্ষ্ট ১০০০ দেজ: এ ক্রুসিয়ল টাইম ফোর মাদর এন্দ চাইল্ড' কৌবা লাইরিক অমদা রোজর থরোনা হায়খি, নুপী অমনা মীরোল্লে হেক খঙলকপা মীৎকুপতগী পারগা নুমীৎ ১০০০ রোমদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। হায়রিবা মতম অদুদা মতিক চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি অঙাংগী মশা-মউ ফৎতবগা লোয়ননা মহৈ-মশিন তম্বদা শোত্থৈ হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, মালেমগী ওইনা মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাং মিলিয়ন ১৭০ রোম চাউদম থীবগা লোয়ননা লৌশিং লৈবা ৱাৎলি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মমানা মীরোল্লমদাইদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগীনি। মীরোল্লে হেক খঙলকপা মীৎকুপতগী পারগা নুমীৎ ১০০০ রোমদি মপুং ফানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়রি।

অমরোমদা, য়েল স্কুল ওফ মেদিসিন অমসুং জর্মনিগী মেক্স প্লেক্স ইনষ্টিট্যুট ফোর ন্যুরোলোজিকেল রিছার্চকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, মীরোনবী নুপীশিংনা কান্নদবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাশিনবগী মহুৎ মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি। মতম অমদা মীওইবনা লৌশিংগী মঙাল ফংদ্রিঙৈদা মীরোনবী নুপীশিংবু মী অনীগী শরুক পীজগদবনি খন্দুনা কান্নদবা চীঞ্জাক্তা হেঞ্জিন্না পীজবগী থৌওং চত্থরম্মী।

হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা রিছার্চরশিংনা হায়, মীরোনবী নুপীশিংগীদমক্তদি কান্নদবা চীঞ্জাক্তা হেঞ্জিন্না চাশিনবগী মহুত্তা হন্থবা চাংদা মচল শুনা চাবদুনি। বোষ্টোন চিলদ্রেন'স হোস্পিটালদা ন্যু বেলেন্স ফাউন্দেসন ওবেসিটি প্রিভেন্সন সেন্টরগী দিরেক্টর ওইনা লৈবা ডা. দেবিদ লুদৱিগনা হায়খি, অঙাং অমগী পুন্সিদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবগা লোয়ননা কা হেন্না নোয়বা হায়বসি মমানা মীরোল্লিঙৈদা চাখিবা চীঞ্জাক্কী মখা য়াম্না পোল্লি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা লুদৱিগ অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা মমা ৪০,০০০ অমসুং মখোয় মখোয়গী মচা ৯০,০০০ দা চৎখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমা 'সেল' জর্নেলদা ফোঙলকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মীরোল্লিঙৈদা কা হেনবা মওংদা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপা নুপীশিংনা পোক্লকপা অঙাং তুংগী পুন্সিদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। জিননা মরম ওইরগা ফীভম অসি ওইহল্লকপসু য়াওই। মীওইবগী জিনদি হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াদবনিনা য়ারিবমখৈ চাবা থকপগী মওং শেমদোক্তুনা পুন্সি মহিং হোংদোক্লগা মীরোল্লমদাইদা হকচাংগী অরূম্বা হেলহন্দনবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা অমেরিকান জর্নেল ওফ সাইকিয়াট্রিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট হায়খি মদুদি, মীরোনবী নুপীশিংদা মতম চানা কোলিন য়াওবা চীঞ্জাক নৎত্রগা ফূদ সপ্লিমেন্ট পীজবা তারবদি ব্রেন ফবা অঙাং পোক্লককই। কুমজা ২০১৩ দা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদোগী সাইকিয়াট্রিষ্ট রোবার্ট ফ্রীদমেন অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা মীরোনবী নুপী ১০০ দা কোলিন (ভিটামিন বি মখল অমা) য়াওবা ফূদ সপ্লিমেন্ট পীজদুনা চাংয়েং তৌবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

রিছার্চরশিংনা মীরোনবী নুপীশিংবু কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমদা কোলিন পীজরম্মী অমসুং অতোপ্পা কাঙলুপ অমদা ইচম-চম্বা প্লাসেবো অমা পীজরম্মী। প্লাসেবো হায়বসি য়েংবদা চপ মান্নরবসু মখল অমত্তগী মতিক ময়াই য়াওদবা হীদাক মানবা পোৎশকনি। মতৌ অসুম্না মীরোনবী কাঙলুপ অমবু অয়ুক্তা কোলিন মিলিগ্রাম ৩,৬০০ অমসুং নুমীদাংদনা মিলিগ্রাম ২,৭০০ পীজরম্মী। অতোপ্পা কাঙলুপ অদুদনা ইচম চম্বা প্লাসেবো পীজরম্মী। চাংদম্নদুনা মীরোল্লিঙৈদা কোলিন সপ্লিমেন্ট চাবা নুপীশিংনা পোক্লকপা অঙাংশিংগী ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌই হায়বা খঙলকই।

# প্রবিস চনম লৈখিদবা চহী ২ মপুং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): প্রবিস চনম লৈখিদবা চহী ২ মপুং ফারকপগী থৌরম ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

পিপল এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট ব্রুটেল কিল্লিং ওফ প্রবিস চনম এট গ্রেটর নোইদানা শীন্দুনা ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা হায়খি, প্রবিস চনম লৈখিদবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লোগী ওইবা মতেংসু কাল্লোইসি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীশি অসিগী লংলা-লংজিল পুথোকপা ঙমদ্রি। মণিপুরদা হৌরিবা ঈহৌশিংদা মায় পাকপসু য়াওই। অচুম্বা পুথোক্তনা ঈহৌদু মতোমতা শিবসু য়াওরি। প্রবিস চনম মীশিগী মতাংদা ঈহৌ কয়া হৌরি। হৌজিক্তি লোগী ওইবসু য়াওরক্লবনি।

লোগী মতেং লৌবসি ঐখোয়না কাল্লোইদবনি। এল্লাহবাদ হায় কোর্টতা কেস ফাইল তৌরগা থিজিনবদা পুলিস এলিগেসন য়াওরি। কুইনা ঈহৌ চথরক্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৮ গী লোইরমদাইদা য়ু পিগী এল্লাহবাদ হায় কোর্টতা লানখৎখিবদগী এল্লাহবাদ হায় কোর্টনা জুলাইদা সী বি আইদা শিন্নবা ওর্দর থোকপগী পাউ তারে। সী বি আইদা শিন্নরবনিনা খুদম চাংদম লৌবা লাক্লগনি। সী বি আইনা ৱাহং-পাউহং লাকপদা অচুম্বা, মরিক চুম্বা কয়াদু তাশিন-খোমজিন্দুনা পীননবা হোৎনগদবনি। রিপোর্টতুনা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্কদবনি। সী বি আইনা কেস পায়বা ঙল্লরোই হায়রবসু হায় কোর্ট য়ৌরবনিনা পায়দবা য়ারক্ত্রে। ঈহৌসু হৌসি, লোগী মতেংসু লৌসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবা দেসামগী এদভাইজর মোইরাংথেম অঙম্বনা হায়খি, পেন্দবা কয়াদি খাংবা অদুগা লম্মন খুম্বদি ঙমদনা লৈরিবসি লাইবক থীবনি। পুলিসনা তৌগে হায়রবদি সী বি আইদা শিন্নদ্রবসু য়াই। প্রবিস চনম কনানো হায়বসি খঙলে হায়না খল্লি। মহৈরোয়শিংদা এ দি জি পিনা পীখিবা রিপোর্টনা খঙলে। চেনা ৮ পানবা রিপোর্টকী ওন্ন-তৈনবদা চেনা ৩ পানবা অদুগা রিপোর্ট অমত্তসু য়াওদবা অমা পীরি। মসি অচুম্বা পুথোক্তনবা হোৎনবা অমনি। ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবা চঙই। পাউখোল্লোই ওইবগী মহুৎতা শেঞ্জাও পায়বা মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইদুনা অচুম্বা পুথোক্তনবা হোৎনরি। প্রবিস চনমবু উশিৎতবা নত্তে। মসি মণিপুর মীয়াম উশিৎতবনি। চৎমিন্নখিবশিংদা করিগী ৱাহং অমা ফাওবা হংদ্রিবনো। অচুম্বা রিপোর্টশিং থাগৎত্রবদি অচুম্বা ফংলোই। মমাগী ফিজিগী মনি ওইরিবা মচাবু করম্না শি হায়বা খঙহন্দ্রবদি লৈঙাক লৈবগী কান্নদ্রে। অচুম্বা ফংদ্রিবা ফাওবদি অঙম্বা মতেং পাংদুনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবী নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রমনিনা হায়খি, অচুম্বা তৌরক্তবদগী ঈহৌ লাকপনি। মমা-মপা ওইবশিংনা অচুম্বা অদু খঙনিংই। ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু উশিৎত্রিবা অসি ঐখোয়গী লৈঙাক পায়রিবশিংনা করিসু তৌদনা লৈরিবনি। হৌজিক লৈরিবা অসিসু ফীভম চাদ্রিবনি। ঐখোয় চেকশিনবা ফৈ। ঐখোয় চেঙ পীজবগী মহুৎতা য়ু অমদি হার য়াওবা চীঞ্জাক পীজরগা হাৎকদৌরে হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা পোইরৈ লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবীনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্না অচুম্বা পুথোক্কবা হোৎনদবসি নুংঙাইতে। সী বি আইনা কেস পায়রগদবনিনা নোইদাগী ডোক্তর, পুলিস ওফিসরনচিংবদা ৱাহং-পাউহং তৌহন্নিংই হায়খি।

থৌরম অদুদা কিলগী প্রসিদেন্ট ইমা সনাহনবীনা হায়খি, ইন্দিয়াদা তীল্লুবদগী মহৈরোয় কয়া হাৎলি। প্রবিস চনম খক্তা নত্তে। ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা থাখিবশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাহৈ অমফাওবা পুথোকপা লৈত্রি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকি।

থৌরম অদুদা এম এ এন আই এলগী প্রসিদেন্ট সোরাম টিকেন্দ্রজিৎনা প্রসিদেন্ট ওইখি। কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমা, তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট ইমা মোমোন অমদি ইকলগী প্রসিদেন্ট ইমা বিমোলাসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# ঈকংগী ফীভম অসিদা লৌমীশিংগী অৱাবা য়েংলগা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েংশিং চঙবীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): ঈকংগী ফীভম অসিদা লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং য়েংলগা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েংশিং চঙবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ট্রাইবেল য়ুনিয়নগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চীংগী লমদসু ঈকংগী অৱাবা অসি মায়োক্নদুনা লৌমীশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। য়াল্লবা লৌফম কয়াদা মহৈ-মরোংশিং থাবা য়াদ্রে। চীংগী লমদা লৈরিবা অয়াম্বা মীওইশিং লৌউ-শিংউ তৌরগা অমদি মনা-মশিং থারগা হিংনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। লৌউ-শিংউ তৌদুনা ফংলকপা মহৈ-মরোংনা ইমুং-মনুং পুনরিবনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদদি লৌউ-শিংউগী থবক নীংথিনা পায়খৎপা য়াদবনা মরম ওইরগা য়াম্না অৱাবা ফীভম অমা মায়োক্নরক্লগনি হায়বগী অকিবা লৈরে। মণিপুর লৈঙাক্না মরুওইনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদুনা লৌমীশিংগী অল্টর্নেটিভ সোর্ছ ওফ কল্টিভেসন অমদি এলাইদ ফার্মিং রিছোর্সকীদমক মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদ্রে। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা অথুবদা থৌরাং কয়া লৌখৎহৌদ্রবদি তুংদা হেন্না অৱাবা ফীভম লাক্লগনি। ঈকং থোকপা নৎত্রগা খুদোংথিবা অমা মায়োক্নরকপা মতমদা খ্বাইদগী হান্না ইফেক্ট তৌগদৌরিবা অসি লায়রবা মীয়ামনি। মসি লৈঙাক্না খঙবীফম থোকই। লায়রবা লৌমীশিংগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্না অল্টর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌবীবা তাই। চীংদা লৈরিবা লায়রবা লৌমীশিংগীদমকসু লৈঙাক্না অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎপীয়ু। লৈঙাক পায়রিবশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক কয়া পায়খৎপা চঙই। লোকেল রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা মখোয়গী মীয়াম্বু য়েংশিনবগী থবক পায়খৎপীয়ু। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু মখা তারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৯।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ১২ নি পানবা।

মেষ : অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউ তাবা, থাজদবা মরমদগী ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংনা থবক পাংবা লৈগনি। থবক/শেল খরসু পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, মীরম চংবদা নুংঙাইবা পোকপা অমদি মীয়াম্না য়াবা নুমিৎনি। অনম তানবনা মরুপ-মপাংগা নুংঙাইনদবা লৈবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : নক্লবা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি, শাগৈনা চানগনি অমদি হনবা লৈতনা হোৎনরদি শোইদনা মীকোক থোংগনি। অরং অরাক ফংবৈ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থৌনা লৈনা হোৎনবগী কান্নবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি, লল্লোন ইতিক্তসু শোইদনা মাঙজিল থাগনি। অনৌবা অশা য়াম্না লাক্কনি, য়েৎনবা লৈরোই, অনীংবদু পাংহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ : লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি অমদি অরাপ্পা মী লোয়নবা থবকশিংসু মঙ্গল ওইগনি। ইশাতগী ৱাখল্লোন্না অরুবা থৌরম পাংবা ৱাগনি-ওজা-গুরুগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : নথক থোংবা অমদি মীয়াম্না চানবীরনি, নচাক-নরল চাওখৎপা অমদি পূক্নিং মকা লাম্বা লৈগনি। অনম তানবনা চাদিং হেনবা লৈগনি। নোল্লুকপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

তুলা : অঙম্বগী ৱা তাবা কান্নগনি অমদি ৱানোম থৌনোমসু কান্নগনি। অফা-অপুনগী থবক্তা মায় পাক্কনি অমদি ইমুং-মনুং তান্নরগা পাংবা থবক মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : মায় পাক্কনি, থবক পাংগনি, মীচং লৈগনি অমদি নীংবদুমক পাংবা য়াগনি। পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম থৌজিনবা য়াগনি। নক্লবনদি নরলদা মীতাবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : নথক থোংবা অমদি অঙম অথৌনা য়ানবা চৎলু। নোল্লুক্না চৎপা পাংদবনি খনগনু-থবক পাংনবা পাম্বে অমনি। শেল অমদি মীয়ামগী থাগৎপা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : লাইবক ফগনি, অনৌবা অশাগা লোয়ননা থৌ পাংবা য়াগনি। মৈ অমদি খুৎলায়নদি তাথি অদুনা ফিংবা অমদি অশাওবা তৌগনু। ঈংথবনা য়াইফরে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : শেল ফংবা অমদি য়েৎনবদা ঙম্বা লৈরসু মরম চাদনা চাদিং তৌবা অমদি ফিংবনা লন মাঙহনবা ওইনা থোকপা য়াবা লৈ। চিন য়াংগনু, অরাং-অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - শাওনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈতনবা মীতোপ্পা ইশিনবা লৌগনু অমদি হন্থবা লোয়নগনু। থবক্কী পাউ নুংঙাইবা, শেল ফংবা/হকচাং খিংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা খোঙজংদা শৌগৎতুনা হোৎনরগনি : দেসাম



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা খোঙজংদা দেসামনা শৌগৎতুনা হোৎনরগনি হায়না দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনাম সিতলনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা গভর্ণমেন্ট জুনিয়র হায় স্কুলদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ওইনাম সিতলনা হায়খি, মীতৈ/মৈতৈবু কঞ্জনবা লম্বীসি সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চনবনি। সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা অকনবা ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈদা রেক্কমেন্দসন থাবীয়ু। ট্রেন লাক্ত্রিঙৈদা অহলশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। তম্পাক্তা লৈরিবা মীওই লাখ ১৫/১৬ লৈবা অসিগী প্রোটেক্সন পীনবা সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা রেক্কমেন্দেসন লৈঙাক্না থাগদবনি। নৎত্রবদি মুৎখিবা য়াবা ফীভমদা লৈরক্কনি। মৈরা পায়বী, ক্লব, সী এস ওশিংনা মতেং পাংদুনা ঐখোয়গী ঙাক্লৌ পীনবা হোৎনহৌসি। চৎন-কাঙলোন, লাইনিং, ইনাৎ, কলচর কন্নবা হোৎনমিন্নসি। সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা তাল্লিবা দিমান্দ অমদি খোঙজংশিংদা দেসামনা শৌগৎপগা লোয়ননা দিমান্দ ফংদ্রিবফাওবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা দেসামগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# ধর্ম্ম প্রেমী সমিটি মণিপুর পাঙলতাবীগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): ধর্ম্ম প্রেমী সমিটি মণিপুর পাঙলতাবী মখা লৈকায় ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী চহী ৩ গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না সমিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন ইনাওমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা এল সুবোল, ট্রেজররদা এল শরৎ, জেনরেল সেক্রেটরিদা এন ইনাওমচা, ভাইস প্রসিদেন্টতা কে ঐচ ইবোহলবী, জোইন্ট সেক্রেটরিদা এস বিজয়নি।

নৌনা খল্লবা সমিটি অসিগী প্রসিদেন্ট, বিশ্ব হিন্দু পরিষদ মণিপুর ব্রাঞ্চকী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইনা চহী ৩৭ হেন্না থবক তৌরম্লবা এল সুবোলন হায়খি, লাইনিং-লাইশোনবু নুংশিনা য়োকখৎপা চঙই। থৌদাং অদু মশক খঙনা থবক তৌগনি হায়নসু মখা তাখি।

# নিএলিট অকাম্পাৎতা মেগা সাইন্স ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাষ্টেক) না শীন্দুনা সাইন্স মীট ২০১৯ গী বেন্নর মখাদা নুমীৎ ৫ নিগী ওইবা ষ্টেট লেভেল মেগা সাইন্স ফেষ্টিবেল অমা থা অসিগী ২১ দগী ২৫ ফাওবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নিএলিট) অকাম্পাৎ ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়না মাষ্টেক্কী দিরেক্টর টি ঐচ সুন্দরনাথনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ষ্টেট লেভেল মেগা সাইন্স ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না সাইন্স মোদেল এগজিবিসন কম কম্পিটিসন, সাইন্স সোর্ট প্লে কম্পিটিসন, স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন, দিক্লেমেসন কন্টেষ্ট, সাইন্স ক্যুইজ কম্পিটিসন, বেষ্ট গাইদ টিচর এৱার্দ, বেষ্ট এপ্রিসিএসন এৱার্দ, সাইন্স দ্রামা, সাইন্স ফিল্ম সো, সাইন্স বিহাইন্দ মিরেকল সো, বুক এগজিবিসন, আই টি সোনচিংবা পাঙথোক্কনি। থৱায় য়াওবা মহৈরোয়শিংনা মাষ্টেক নৎত্রগা নৈলিট অকাম্পাৎতগী এন্ট্রি ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা চুড়াচান্দপুর সেক্টর অসাম রাইফলসকী সিংহাট বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা লৈখাই ভিলেজদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুঞ্জাশিংবু লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুদা হিদাক লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি। মেদিকেল কেম্প অদুদা মীওই কয়া অনা-লায়েংগী থবক চত্থখি। গুদ হেল্‌থ এন্দ হাইজিন হায়বা হিরমদা লেকচর অমসু পীখি। ডোক্তর টিম অমনা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক তঙাইফদনা তৌগদবা থবক থৌরাং কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। ডোক্তর টিমনা অনা-লায়েংগী থবক চত্থবগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈনবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি।

অনা-লায়েংগী কেম্প অদুদা খুল অদুগী অকোয়বগী মীওই কয়া হকচাং চেক অপ তৌখি। চুড়াচান্দপুর সেক্তর অসাম রাইফলসকী সিংহাট বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।